ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কোভিদ-১৯গী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেনখিবগী শক্তম

লামায় ১

লুৱাংশংবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা ফাগৎখিবা য়াল্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং লুৱাংশংবম মনিং চীংখোঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখিবা

লামায় ১

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্বু অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না লান্না উহনবা অসি লাইবক থীবনি হায়না দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখিবা

লামায় ৩

নুঙবা ভিলেজ কাউন্সীলগী মীওইনি হায়জবশিংনা নেসনল হায়ৱে-৩৭গী শরুক ওইরিবা নুঙবাদা ট্রকশিং চৎপা থিংবদগী ট্রক কয়া লম্বীদা পন্দুনা লৈখিবগী শক্তম

লামায় ১

Vol. 44, Issue No.124 য়ুমশকৈশা, থৱানগী ১০নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Wednesday, July 29, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

কোংগ্রেসনা লৈঙাক্কী মথক্তা নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎপগী চেরোল এসেমব্লী সেক্রেটরিদা পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : এ দি সী চান্দেলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেসকী মতাংদা সী বি আইদা শীন্নদবগীদমক ষ্টেটতা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মথক্তা নো কনফিদেন্স মোসনগী চেরোল অমা ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী সেক্রেটরিদা পীশিনখ্রে হায়না এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী সেক্রেটরিয়টতা নো কনফিদেন্স মোসনগী চেরোল পীশিল্লুরগা থোরকপদা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, এ দি সী চান্দেলগী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেস সী বি আইদা শীন্নদবা লৈঙাক অসিগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা কাউন্সীল ওফ মিনিষ্টরগী মথক্তা নো কনফিদেন্স মোসনগী চেরোল এসেমব্লী সেক্রেটরিয়টতা পীশিনবনি। ময়াই কাবা দ্রগকী অচৌবা কেস অসিগী মতাংদা সী বি আইদা শীন্নৌ হায়না দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। ষ্টেটসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অসিগুম্বা কেস অসি হৌজিক ফাওবা সী বি আইদা শীন্নদনা লৈরি। লৈরিবা ফীভম অসিদা অচুম্বা তৌরক্কনি হায়বা থাজবা লৈরক্তবদগী নো কনফিদেন্স মোসন অসি থাঙ্গৎলকপনি।

ষ্টেট অসিগী হায় প্রোফাইল ওইবা কয়ানা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী লল্লোনবদা চেন্নবগী ফীভম য়াওশিল্লক্লবদি লৈবাক অসি অরুবা ফীভমদা লাক্লগনি। লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেস অসি সী বি আইদা শীন্নগনি হায়বা ৱাফম মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবা অচৌবা দ্রগ কেস অসি সী বি আইদা শীন্নদনা লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নো কনফিদেন্স মোসনগী চেরোল অদু পীশিনবদা য়াওরুবা এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা হায়খি, লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেসকা মরী লৈননা এদিসনল এস পি ওইবী নুপী অমনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রে। হৌজিক কেস অসি সী বি আইদসু শীন্নদে। অসিগুম্বা ফীভম কয়া অসি লৈরকপদগী লৈঙাক অসিগী মথক্তা নো কনফিদেন্স মোসন অসি থাঙ্গৎলকপনি। ময়াই কাবা দ্রগকী লল্লোন-ইতিক্কী থবক্তা হায় প্রোফাইলগী মীওই ফাওবা য়াওরকপগী ফীভম লাকপা তারবদি লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় অৱাবা ওইগনি। অশেংবগীদমক কথোকপগা লোয়ননা ঐখোয় পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নসি। ৱাফম খরা ফোঙদোকপা মতমদা কিহন-খঙহল্লকপগী থবকনচিংবা চত্থবা য়ানিংদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফেসবুক্তা সী এমবু ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা ঙাংলুবা মীওই ১ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং মহাক্কী পার্টি বি জে পিগী মায়োক্তা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ইবা পোষ্টশিং ফেসবুক্তা অপলোদ হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরুবা মীওই অমগী মথক্তা পুলিসনা সু-মোটু কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ফারবা মতুংদা থা অসিগী ৩১ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা মীওই অদুগী মমিং উশম মংলেম (২৩) কৌই।

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

এক্স-এম এল এ শ্যামকুমার অমসুং এম এল এ জয়কিষনগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনশিং

সুপ্রীম কোর্টনা হায় কোর্টতা থা ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা খঙহল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনদা মায় পাক্লকখ্রবা এম এল এশিংগী মনুংদগী কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা এসেমব্লীদা লিংলিবা ট্রাইব্যুনেলনা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা ৭-অন্দ্রো এ সীগী এক্স-এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং হৌজিক কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইরিবা ৯-থাংমৈবন্দ এ সীগী খুমুকচম জয়কিষনগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং সুপ্রীম কোর্টনা থা ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা খঙহনখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা অন্দ্রো এ সীগী এম এল এবু দিসক্বালিফাই তৌখিবা মতমদসু হায় কোর্টতা মহাক্কী মথক্তা পন্দুনা লৈরকপা দিসক্বালিফিকেসন কেসশিংবু অথুবা মতমদা লোইশিনহনবীয়ু হায়জরুবদগী পীরকখিবা সুপ্রীম কোর্টকী ওর্দর অদুগা মান্নবা ঙসিগী এপেক্স কোর্ট অসিগী ওর্দর অসি জষ্টিস রোহিন্তোন ফালি নারিমান অমসুং জষ্টিস নবিন সিনহাগী কোরমনা পীখিবনি।

অন্দ্রো এ সীগী এক্স-এম এল এ, টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা হৌজিক ফাওবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পন্দুনা লৈরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন কেস অদুগী নম্বর ৪ ওফ ২০১৭নি। কেস অসি পাঙথোকখ্রিবা ইলেক্সন অদুদা এ সী অসিদা এক্স-এম এল এগা লম্বা তৌনখিবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

সিক্যুরিটিনা এস্কোর্ট তৌরগা ট্রক ১দা পুরক্তুনা য়ুম অমদা থল্লমখিবা য়াল্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মৈরা পায়বীশিংনা ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থিংননবা লোকদাউন চত্থরিঙৈ চৈরক অসিদা সিক্যুরিটিনা এস্কোর্ট তৌরগা টাটা ট্রক অমদা পুরক্লগা লুৱাংশংবম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা য়ুম অমদা থল্লম্বনি হায়বা য়াল্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং লুৱাংশংবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লুৱাংশংবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, ঙসি অয়ুক পুং ৫.৩০ রোম তাবদা লম্বীদা ৱাকিং চৎলিঙৈদা আই আর বিনা ঙাক শেন্দুনা লাকপা ট্রক অমা লুৱাংশংবম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম ওংবী পুর্ণিমা (৬২), মপুরোইবা এল বিরচন্দ্র কৌবা অমগী য়ুমদা থৌজিনখিবদগী চিংনদুনা মৈরা পায়বী লূপ অসিনা য়ুম অদুদা চঙশিন্দুনা দ্রাইভ চত্থবদা য়াল্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা য়াল্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদুদা তলব, সাজন, খাইনি অমদি জর্দা য়াওরি। পোৎলমশিং অদু তোঙান-তোঙানবা প্লাষ্টিক বোড়াশিংদা হাপ্লগা থল্লম্বনি। ট্রক মপোৎ অমগী চাং ওইগনি হায়রি।

হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু য়ুম অদুদগী ট্রেক্টর অনী অমসুং দি আই টাটা অমা শীজিন্নদুনা লুৱাংশংবম মনিং চীংদা পুরগা মীয়াম মমাঙদা মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে। হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি কনাগীনো হায়বা খঙদোক্লনবা হোৎনরি। বোড়াদা অমিট হায়না মমিং থারম্বসু য়াওরি। পোৎলমশিং অসি মপান্দগী লাকপা লল্লোনবশিংগী খক মান্দে। হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

এস এম এ এম স্কিমগী সবসিদি শুপ্পগী মীচঙ-শঙ্গ লৈবা মীওইশিংনা খুদোংচাবা লৌরবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা এগ্রিকলচরেল মেকানাইজেসন মপুং ফানা লৈহন্দুনা অতেনবা মতমদা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী পান্দমদা হৌদোকখিবা সব মিসন ওন এগ্রিকলচরেল মেকানাইজেসন (এস এম এ এম) স্কিমগী খুদোংচাবশিং মণিপুর ষ্টেটকী ওইনদি তশেংনা লৌ উবা লৌমীশিংদা ফংহনবগী মহুৎতা য়াইতোং-ফমদোনবশিং অমদি শঙ্গ-পঙ্গ লৈবা মীওইশিংনা অয়াম্বা খুদোংচাবা লৌরবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

এস এম এ এম ২০২০-২১গী স্কিমগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্ট লৈবদা সবসিদি ফংনবা এপ্লাই তৌরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, চুরচান্দপুর, উখ্রুল, চান্দেল, তামেংলোং, সেনাপটি অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতগী তোঙান-তোঙানবা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্ট ১৫গীদমক ষ্টেট অসিগী ওইনা বেনিফিসরি ৯৪৯ খনখি। অদুবু মায়কৈ কয়াগী লৌমীশিংনা এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্টনা মতৌ করম্না বেনিফিসিরি খনবনো অমদি খনবগী ক্রাইটেরিয়ানা করিদা য়ুম্ফম ওইরগা খল্লিবনো তশেংনা খঙবা ঙমদে হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

পাউচে অসিনা এস এম এ এম ২০২০-২১ স্কিমগী মখাদা খনগৎলকপদা য়াওরক্লবা অমদি খনগৎপদা য়াওরক্লবা মীওই খরগা উনদুনা ৱারী শারুবদা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংচন্না লৈবা এস এম এ এম ২০২০-২১দা খল্লকখিদ্রবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা চহী খরগী মমাংদগী এগ্রিকলচরেল দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংদা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি লৈবদা সবসিদি পীনবগী পায়খৎতুনা লাক্লিবা স্কিম অসি তশেংনা হায়রবদা ময়েক শেংনা ট্রান্সপিরেন্সি ওইনা থবক তৌদ্রে। শুপ্পগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী এগ্রিকলচর ওফিসরগা খঙনবা নৎত্রগা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী এম এল এ খঙনদ্রগদি খুদোংচাবা অসি ফংবা য়াদবগী ফীভম অমদা লৈরে। খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা য়াইতোং-ফমদোনবশিংগা খঙন-চানবা ওই। তশেংনা লৌ উদবা মীওইনা অয়াম্ননি। চহী অসিগী ওইনা খনগৎখ্রবা বেনিফিসরিগী লিষ্ট থোকপা মতমদা এপ্লিকেসন থারকপনা মীওই অমনা থারক্লগা এলোকেসন থোকপদনা মীওই ৯ থোকপনচিংবা থৌওং থেংনরি। মহাক্না মখা তানা হায়, স্কিম অসিগী মখাদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা করিগুম্বা চহী কয়াদগী এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্টশিং মথৌ তারিবা লৌমীশিংদা চপচানা ফংহনবিরবদি পীকখ্রবা ষ্টেট অসিগী ওইনদি ঙসি মণিপুরগী লৈকায়-লৈকায় খুদিংদা এগ্রিকলচরেল মেছিনরিশিং অমদি ইক্বিপমেন্টশিং মরাং কায়না লৈনরম্লগনি। মরম অদুনা দিপার্টমেন্টকী অমদি মরী লৈনবশিংনা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্ট লৈবদা সবসিদি পীবগী থৌরাং অসিদা অরানবা থবকশিং তৌহনজনিংদে। মসিদা নত্তনা লৌ উদবা মী অমগী মিং পানশিন্দুনা ফংগদৌরিবা সবসিদি মখোয় মশেনগী মরক্তা য়েন্থোক্লবগী থবক তৌবা য়াওদবসু নত্তে। অসিগুম্বা অরানবা থবকশিং তৌরিবা মীওইশিংবু লৈঙাক্না য়েংশিনবিদুনা লোগী ওইবা চৈরাক ফংহনবিয়ু। লোয়ননা তঙাইফদনা মথৌ তারিবা লৌমীশিংদা পোলিসি অমা য়াৎপিদুনা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্ট ফংহনবিনবা হোৎনবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচন্না লৈবা মশক মমিং তাকথোকনিংদবা স্কিম অসিগী বেনিফিসরি খনবদা য়াওরকখিদ্রবা লৌমী অমনা হায়, এস এম এ এমগী স্কিম অসি অফবা স্কিম অমনি। অদুবু লৌমী অমনা লাক্ষ নিপাল-মাপলদগী তাদবা ট্রেক্টর অমগী সবসিদি লাক্ষ খরা ফংনবগীদমক মতৌ করম্না লৈবা ঙমগদৌরিবনো। ৱাফম অসিনা অদুমক স্কিম অসিদা য়াইতোং-ফমদোনবা অমদি শেল পায়বা খঙন-চানবা মীওইশিংনা খুদোংচাবা লৌনবগী অচৌবা মরম অমা অদুমক ওইহল্লে। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্ট লৈনবগীদমক রেট কোটেসন লৌনবগীদমক পীরিবা অখন্নবা দিলরশিং অদুদগী লৌগদবনি হায়রিবা ৱাফমসিনা করি-করম্না ৱাফম ফোঙদোকপা পাল্লিবনো হায়বসিসু লৌমীশিংনা লৌশিনবা ঙমদে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীরিবা সবসিদি অসিগী মথক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সবসিদি খরা অমগা অমুক হাপচিনবিদুনা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্টশিং লৌমীশিংনা খরা হোংবা মমলদা লৈবা ফংহন্নবা হোৎনবিরবদি তশেংনা মথৌ তারিবা লৌমীশিংদা হায়রিবা এগ্রিকলচরেল মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্টশিং অসি লৈবা ঙমগনি। মরম অদুনা স্কিম

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

পুং ২৪দা কেস ৩১ হেনগৎলক্তুনা অপূনবা কেস মশিং ২৩১৭ য়ৌখ্রে

রিমসকী সিনিয়র ওর্থোপেদিসিয়ন ১, পি জি তন্নিবা ডোক্তর ২, ও টিগী টেক্নিসিয়ন ১, হোর্টিকলচরগী ষ্টাফ ১ অমসুং ৮শুবা এম আরগী পর্সনেল ১ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী কেস ৩১ হেনগৎলক্তুনা অপূনবা কেস মশিং ২৩১৭ য়ৌখ্রে।

রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী সিনিয়র ওর্থোপেদিসিয়ন অমা, পি জি তৌরিবা ডোক্তর ২, ওপরেসন থিএটর (ও টি)গী টেক্নিসিয়ন ১, সেক্রেটেরিয়টকী নোর্থ ব্লোক্তা লৈবা হোর্টিকলচর সেক্সনগী ষ্টাফ ১ অমসুং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী ফেমিলি লাইনদা লৈবা ৮শুবা মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেল অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাং পুং ৭ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপর্সন ডা. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরাল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ২৪ অমসুং নুপী ৭ পুন্না মীওই ৩১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। রিমসকী ভি আর দি এলদা ১০, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালদা ৪, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল চুড়াচান্দপুরদা ৮, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তমেংলোংদা ৮ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মোবাইল টেষ্টিংদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইরে হায়বা কনফর্ম তৌখিবনি।

পোজিটিভ ওইরবশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৫, চুড়াচান্দপুরদগী ৮, থৌবালদগী ১০ অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ৮নি। তমেংলোংদগী মীওই ৮ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ১ নত্তনা অতৈদি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ত্রাবেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমদুনা লায়েংবগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা রিমসতগী মীওই ৪, কোভিদ ক্যের সেন্টর মৈত্রমদগী মীওই ১২, কোভিদ ক্যের সেন্টর উখুলদগী মীওই ৯, কোভিদ ক্যের সেন্টর সেনাপতিদগী মীওই ২৩, কোভিদ ক্যের সেন্টর থৌবালদগী ৫ অমসুং আর দি ৱিং লম্ফেলদগী মীওই ৩ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা নৌনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওই ৫৬ অসি থারগা লায়না অসিদগী ফগৎলকপা কেস মশিং ১৬১৫ শুখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেস ৩১ অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ২৩১৭ শুখ্রে। মসিগী মনুংদা কেস ৭০২ হৌজিক হৌজিক এক্টিভ ওইরি হায়নসু ডা. সশীকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সুপ্রীম কোর্টতা এম এল এ রোবিন্দ্রোগী কেস

দিসক্বালিফিকেসন ওর্দর সস্পেন্দ তৌখিবা হায় কোর্টকী ওর্দরবু শীংনরকখিবা এস এল পি ৱিথদ্রো তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : মমাঙ থাগী ১৯ দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্য সভাগী মীখল অদুগী মাঙওইননা থোকখিবা ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেলগী চরাংনবা মরক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মেম্বর ওইবদগী স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা দিসক্বালিফাই তৌখিবা ২৮-থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ তোংব্রম রোবিন্দ্রোগী দিসক্বালিফিকেসন ওর্দর অদুবু সস্পেন্দ তৌখিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দরবু সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা চেলেঞ্জ তৌরকখিবা স্পেসল লিভ পিটিসন (এস এল পি) অদু ৱিথদ্রো তৌখ্রে।

মমাঙ থাগী ১৮দা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা এম এল এ অসিবু দিসক্বালিফাই তৌবগী ওর্দর অদুবু চৎনহনখিদবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মরক্কী ওইবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা এস এল পি অদুগী নম্বর- ৮৪৫৯ ওফ ২০২০ নি। পিটিসন অসি এম এল এ, টি রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী দিসক্বালিফিকেসন ওর্দরবু হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরকপদা রেস্পোন্দেন্ট অমা ওইনা কোন-শিল্লকখিবা ১৪-য়াইস্কুল এ সীগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

নুঙবাদা পোৎ পুবা গাড়ীশিং চৎপা থিংখ্রে, দ্রাইভরশিং অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : নুঙবা ভিলেজ কাউন্সীলগী মীওইনি হায়জবশিংনা নেসনল হায়ৱে নম্বর-৩৭কী শরুক ওইরিবা নুংবাগী এরিয়াদা জিরিবামদগী পোৎচৈ পুদুনা লাকপা ট্রকশিং চৎপা থিংখ্রে। ট্রকশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবা থিংখিবদগী দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেনশিং খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।

নেসনল হায়ৱে-৩৭ থিংলিবা অসি মণিপুর ষ্টেট দ্রাইভর য়ুনিয়নগা য়ানখিবা ৱাফম থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবদগী খোঙথাং অসি লৌরকপনি হায়না নুংবা ভিলেজ কাউন্সীলগী মীওইনি হায়জরিবশিং অদুনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা গাড়ী চৎপদা থিংলকখিবনি হায়না দ্রাইভর খরনা ফোঙদোরক্লি। মরুওইনা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৮ দা নুংবা কৈথেল ময়াদা পাউখামলুং কামৈ কৌবা মীওই অমা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

হেল্প লাইন নম্বর হোংলগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ লাইচৎকা মরী লৈনবা ইনক্বারিশিং অমদি ৱাকৎশিং খঙহল্লক্লবগীদমক হান্না শীজিন্নরম্বা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ হেল্প লাইন নম্বর অদু হোংলগনি। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী অনৌবা কোভিদ হেল্প লাইন নম্বর অসি ৭৬২৯০২১১২১ ওইরগনি হায়না ককচিংগী এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার এম কপাজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পাউ ফাওরক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী কেজ্যুএল্টি অমদি ইমর্জেন্সি সর্ভিসতা হৌখিবা জুলাই ১৭তগী ২৭ ফাওবদা শরুক য়ারুবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ টেষ্টিংগীদমক বিষ্ণুপুরগী চীফ মেদিকেল ওফিসর নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসরদা পাউ ফাওরক্লবা খঙহল্লক্লি। লোয়ননা মীওইশিং অসিনা টেষ্ট তৌননবা লাকপা মতমদা মখোয়গী এটেন্দেন্সকা মরী লৈনবা চে-চাংশিং লোয়নরক্কদবনি হায়নসু বিষ্ণুপুরগী সী এম ও, ডা. এল গোজেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

পি দব্লিয়ু দিগী ষ্টাফ ২৭ নেগেটিভ ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) হায়ৱে সাউথ দিভিজনগী সেক্সন ওফিসর ওইবা লিলোং তুরেল অহনবীদগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনবদগী দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফ ২৬ সু কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌখ্রে। টেষ্ট তৌখিবা পি দব্লিয়ু দিগী ষ্টাফ ২৬ মক নেগেটিভ ওইরে। খোয়াথোংদা লৈবা পি দব্লিয়ু দিগী ওফিস অসি হাংদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা নীংথিনা সেনিটাইজ তৌবগী থবকশিং পায়খৎখিগনি হায়নসু পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়র কে ঐচ তেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

HL Poll

Q: Covid-19gi oirakliba fibamsida leingakna ILP issue touba houhankhibagi khongthang handoku haina CSO singna hainaraklibasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19gi containment zone ni haina laothoklaba mapham-singda mari leinaba authorityna mapung phana cheksin thourang loukhatli khanbra?

Yes 14% No 86%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.০১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.০৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.২৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

ওজাবু, ঐগী ইসুশু পরিক্ষা ফেল ওইগদবদা পাস তৌশিল্লক্লে, অমুক্তা চেক তৌবীয়ু।

- ꯑꯣꯖꯥꯕꯨ, ꯑꯩꯒꯤ ꯏꯁꯨꯁꯨ ꯄꯔꯤꯛꯁꯥ ꯐꯦꯜ ꯑꯣꯏꯒꯗꯕꯗꯥ ꯄꯥꯁ ꯇꯧꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯦ, ꯑꯃꯨꯛꯇꯥ ꯆꯦꯛ ꯇꯧꯕꯤꯌꯨ!



- য়ানি য়ানি অমুক চেক তৌবদা ফেল ওইরকপসু য়াইদা।

- ꯌꯥꯅꯤ ꯌꯥꯅꯤ ꯑꯃꯨꯛ ꯆꯦꯛ ꯇꯧꯕꯗꯥ ꯐꯦꯜ ꯑꯣꯏꯔꯀꯄꯁꯨ ꯌꯥꯏꯗꯥ॥

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

☛ লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।

☛ লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

NB: ওফর অসি জুলাই ৩১ ফাওবা চৎনগনি।

HL-C/1701-31/7

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫